ঈশিং ঈচাও থেংননবা সেন্টরনা অসামদা লুপা ক্রোর ৩৪৬ পীরগনি, এন দি আর এফকী স্পেসল টিম তরুক থারক্লে

গুৱাহাতি, জুলাই ২৩ (এজেন্সি): অসামগী ঈশিং ঈচাওগী ফিভম থেংননবা লুপা ক্রোর ৩৪৬ পীরগনি হায়না সেন্ট্রেল গভর্নমেন্টনা ষ্টেট গভর্নমেন্টতা থাজবা পীখ্রে।

রিলিফ অমসুং রিহেবিলিটেসনগী থবকশিং নীংথিনা মেনেজ তৌনবা য়ুনিয়ন ৱাটর রির্সোসেস মিনিষ্ট্রিনা লুপা ক্রোর ৩৪৬গী শেনফম অমা ফ্লদ মেনেজমেন্ট প্রোগ্রাম (এফ এম পি)গী মখাদা অহানবা ইন্টোলমেন্ট ওইনা খুদক্তা মহাক্কী মিনিষ্ট্রিদগী অসাম গভর্নমেন্টতা পীরগনি হায়না থাজবা পীরক্লে হায়না য়ুমশকৈশা নুমিত্তা সী এম ওগী ষ্টেটমেন্ট অমনা ফোঙদোকখি।

ষ্টেট অসিগী হৌজিক লৈরিবা ঈচাওগী ফিভম অমসুং ঈচাওনা শোকহল্লবা মীয়াম্বু মতেং পাংনবা লৌখৎলিবা থৌরাংশিংগী মতাংদা য়ুনিয়ন ৱাটর রির্সোসেস মিনিষ্টর গজেন্দ্র সিংহ সেখৱাটনা চীফ মিনিষ্টর সর্বনন্দ সোনোৱালগা ভিদিও কনফরেন্স অমা পাঙথোক্তুনা খন্ন-নৈরবা মতুংদা খোঙথাং অসি লাক্লিবনি। চৈরকসিদা, নেসনল দিজাষ্টর রেস্পোন্স ফোর্স (এন দি আর এফ)না অসামগী ঈচাওগী রিলিফ অমসুং রেস্ক্যু ওপরেসনশিংদা মতেং পাংননবা স্পেসল টিম ১৬ থারক্লে হায়রি।

ঈচাওগী অৱাবা নংলবা অসামদা দিপ্লোই তৌরিবা টিম ১৬ অসিনা রিলিফ এন্দ রেস্ক্যু ওপরেসনগী থবকশিংদা মতেং পাংলি হায়না এন দি আর এফকী দিরেক্টর জেনরেল এস এল প্রধাননা ফোঙদোকখি।

মহাক্না হায়খি মদুদি, অসামগী ঈচাওগী ফিভম খরা ফগৎলে। ষ্টেট অসিদা অৱাবা তারবশিংবু মতেং পাংবা অমসুং মী কনবগী থবকশিং মিসন মোট অমদা চত্থগনি।

ষ্টেট অসিদা পুন্না দিষ্ট্রিক্ট ২৬তা ঈচাওগী অৱাবা মায়োক্নরি। মীওই ৪৫,০০০ লোম ঈচাওনা ময়ুম-মকৈ থাদোকহন্দুনা রিলিফ কেম্প ৩৯১ দা চঙজফম লৌদুনা লৈরি। অতোপ্পা খোঙথাং অমদা নেসনল বোর্দ ফোর ৱাইল্ড লাইফতা অসামগী দেহিং পাটকাই ফোরেষ্ট মনুংদা মাইনিংগী থবক পুম্নমক লেপ্পনবা ওর্দর তৌখ্রে। পী এস য়ু মেজর অসিনা মাইন রিক্লেমেন্সন প্লান অমত্তা সবমিট তৌবা ঙমদবদগী ওর্দর অসি পীখিবনি।

ইন্টরিয়ম বেলগী মতম শাংদোকহনখ্রে

গুৱাহাতি, জুলাই ২৩ (এজেন্সি): গুৱাহাতিদা বেজ তৌবা ন্যুজ চেনেল অমগী লোকেল জর্নেলিষ্ট অমা ওইবা রাজিব শর্মাগী ইন্টরিয়ম বেল য়ুমশকৈশা নুমিত্তা অসামগী দুব্রিগী চীফ জুদিসল মেজিষ্ট্রেট (সী জে এম)গী কোর্টনা জুলাই ৩১ ফাওবা শাংদোকহনখ্রে।

দিষ্ট্রিক্ট ফোরেষ্ট ওফিসর বিস্বাজিৎ রোইনা লৌখৎখিবা এফ আই আর অমগী মতুং ইন্না শর্মাবু ধুব্রি দিষ্ট্রিক্টকী গৌরিপুর টাউনদা লৈবা মহাক্কী ময়ুমদগী জুলাই ১৬ কী নোংঙাল্লমদাইগী মতমদা দুব্রি পুলিসনা ফাখিবনি। শর্মাগী অপোকপা মচানুপা ফাখিবা মতুং মতম ইকান কান্নদনা হার্ট ফেল ওইদুনা শিখি। মতুং তারকপদা সী জে এম দুব্রিনা জুলাই ২২ ফাওবা ইন্টরিয়ব বেল পীখিবনি।

থাদখিবা শেনফমগী একাউন্ট পীনবা তকশিনখ্রে

ইটানগর, জুলাই ২৩ (এজেন্সি): য়ুনিয়ন হোম মিনিষ্টর অমিট শাহনা ক্লেম তৌখিবগুম্বা হৌখিবা চহী ৫ অসিদা অরুনাচল প্রদেশতা পায়খৎখিবা লম্বী-থোংশিং শেম শাবগী থবকশিংদা চাদিং তৌখিবা লুপা ক্রোর ৫০,০০০ গী অকুপ্পা একাউন্ট পুথোরক্নবা অরুনাচল প্রদেশ কোংগ্রেস কম্মিটিনা চীফ মিনিষ্টর পেমা খন্দুনা লুচিংবা ষ্টেট অসিগী বি জে পি গভর্নমেন্টতা তকশিনখ্রে। ষ্টেটমেন্ট অমদা এ পি সী সীগী জেনরেল সেক্রেটরি মিনা তোকোনা ষ্টেট অসিদা ঈচাও, চীং নীংখায়বা, লম্বী থিংবা, মীশি-মীনা থোকপনচিংবা থৌদোক কয়া থোক্লুনসু গভর্নমেন্টনা তুমিন্না লৈশিল্লি হায়খি।

মিলিটরি অমসুং পেরামিলিটরি ফোর্সশিংগী এস ও পি থোকখ্রে

আইজোল, জলাই ২৩ (এজেন্সি): মিলিটরি অমসুং পেরামিলিটরি ফোর্সশিংগী মরক্তা কোভিদ-১৯গী কেস হেনগৎলকপগী ফিভম য়েংদুনা মিজোৱামগী লুংলৈ দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসন্না ফোর্সশিং অসিনা ইনগদবা ষ্টেন্দার্দ ওপরেটিং প্রোসিজর ইশ্যু তৌখ্রে হায়না ওফিসল অমনা ফোঙদোকখ্রে।

ওফিসল অসিগী মতুং ইন্না ষ্টেট অসিদা থেংনরিবা অপুনবা কেস ৩১৭কী মনুংদা ১১৮ দি মিলিটরি অমসুং পেরামিলিটরি ফোর্সশিংগী পর্সনেলশিংগী মরক্তনি। ষ্টেট অসিগী এক্তিভ কেস অপুন্বা মশিং ১৩৮গী মনুংদগী ১০৭ হায়বদি চাদা ৭৭.৫৩ দি ফোর্সশিং অসিদা থেংনরি। মিলিটরি অমসুং পেরামিলিটরি ফোর্সশিংগী মরক্তা কোভিদ-১৯ লাইচৎ শনে দারকপদগী ওইরক্লিবা ফিভমগী মতাংদা খন্ননবা লৈবাকপোকপা নুমিত্তা লুংলৈগী দেপ্যুটি কম্মিসনর ভি লালসংলিয়ানানা অসাম রাইফলস অমসুং বোর্দর সিক্যুরিটি ফোর্সশিংগী ওফিসরশিং য়াওগদবা মীফম অমা কৌখি। মীফম অদুদা লুংলৈ দিষ্ট্রিক্টকী লেজিসলেটর অনী তোকৱাং অমসুং ডা. কে পাকহুঙাসু শরুক য়াখি।

মীফম অদুদা বি এস এফকী ১৩১ বট্টালিয়নগী কম্মান্দেন্ট কে এস নাওতিয়ালনা হায়খি মদুদি, মথং থা অনী অসিদা মিজোরামদা বি এস এফকী জৱান ৮০০ লোম হল্লক্লগনি। মখোয়গী মনুংদগী জৱান ৩০০ লুংলৈ দিষ্ট্রিক্টতা হল্লক্লদৌরিবনি। মমাংদা হৌখিবা জুলাই ৫ দা লুংলৈগী দেপ্যুটি কম্মিসনরনা ওর্দর অমা থোক্লুনা বি এস এফ নৎত্রগা পেরামিলিটরি পর্সনেল অমত্তা মপানদগী লুংলৈ দিষ্ট্রিক্টতা মাঙজৌননা মতিক চাবা ওথোরিটিদগী পার্মিসন লৌদনা অমসুং দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসনগী নোলেজ য়াওদনা চঙলকপা য়ারোই হায়না খঙহনবা লৈখ্রবনি।

ওর্দর অদুনা জৱানশিংদা তঙাইফদনা মেদিকেল স্ক্রিনিং তৌনবা অমসুং ষ্টেট গভর্নমেন্টনা পীবা গাইদলাইনশিংগী মতুং ইন্না ক্কারন্টিন তৌনবসু খঙহনখি। ফোর্সশিংগী মরক্তা কোভিদ-১৯গী কেসশিং ৱাংখৎলক্লিবসি য়েংদুনা লৈবাকপোকপগী মীফম অদুদা কোভিদ-১৯ মখা তানা শন্দোরকপা থিংনবা অমসুং মিলিটরি অমসুং পেরামিলিটরি ফোর্সশিংনা ইনগদবা এস ও পি শেমখি। এস ও পি অদুগী মতুং ইন্না মিলিটরি অমসুং পেরামিলিটরি ফোর্সশিংগী মীওই পুম্ন মক্না মতম-মতমগী ওইনা ষ্টেট হোম দিপার্টমেন্ট অমসুং হেল্থ দিপার্টমেন্টনা থোকপা গাইদলাইনশিং চেকশিন্না ঙাক্কদবনি।

ষ্টেটকী পাউ

রবিনা অমসুং সঞ্জিৎকী নীংশিং কুমওন থৌরম কোভিদনা মরম ওইরগা চম্না মাগী মাগী ময়ুমদা হৈকৎ-লৈকৎ তমখ্রে

ইম্ফাল, জুলাই ২৩ (ঐচ এন এস): ১১রকশুবা রবিনা অমসুং সঞ্জিৎকী নীংশিং কুমওন থৌরম কোভিদ-১৯না মরম ওইরগা কুমশিগী ওইনদি ৱার্কিং কম্মিটি ওফ অপূনবা লূপ, জে এ সী অমদি ইমুং-মনুংগী মীওই খরনা য়াম্না চম্না মাগী মাগী ময়ুম লমদমদা এস ও পি ঙাক্লা হৈকৎ-লৈকৎ তমখ্রে হায়না ৱার্কিং কম্মিটি ওফ অপূনবা লূপকী পব্লিসিটি সেক্রেটরি এন রুপচন্দ্রনা প্রেসতা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

চেরোল অদুনা হায়, থৌরম অদুদা ৱার্কিং কম্মিটি ওফ অপূনবা লূপকী কোওর্দিনেটর ফুলিন্দ্রো কোন্সমনা হায়খি, আর্মদ ফোর্সেস স্পেসল পৱারস এক্ট সিফাইশিংনা মী হাৎনিংবা অমদি হাৎনিংবা মতমদা মনিং তৌবা য়াবা এক্ট অসি ইন্দিয়ানা বৃটিশকী লম ওইরিঙৈদা ওর্দিনান্স ওইনা থম্লম্বনি। বৃটিশনা ইন্দিয়া থাদোকখ্রবসু ইন্দিয়া গভর্ণমেন্টনা ওর্দিনান্স অসিবু অফস্পা হায়না লমদম অসিদা লিশাং-শিংনা থম্লক্লি। মসিনা ইন্দিয়াগী লান্মীশিংদা অহেনবা পাৱর কয়া পীশিন্দুনা লমদম অসিদা লালহৌবা নমথবগী মিংদা ইন্দিয়াগী লান্মীশিংনা মনিং-মখা তৌনা মীওইবগী রাইট খোঙ্গাওনরি। ইন্দিয়ন সিক্যুরিটি ফোর্সনা লালহৌবা থিবগী মিংদা ইমুং-মনুংগী মমাঙমক্তদা নুপী ওইবীগী ঈকায় খুম্নবা মাঙহনবীখ্রবা কয়াগী ৱারীসুনি।

সিক্যুরিটি ফোর্সশিংনা চথরক্লিবা মীহাৎ-মীপুন, মীওৎ-মীনৈ অসিগী মথক্তা লো ইনফোর্সিং এজেন্সীশিং, অফস্পাগী পাৱর মনুং চন্দবা, মণিপুর পুলিস কম্মান্দোশিংনসু কম্বাইন্দ ফোর্সকী মিংদা চপ চানা ইন্দিয়ন আর্মিগুম্না চথরকপা মীহাৎ-মীপুন কয়াগী ৱাফম মীয়াম্না খঙনরবা ৱাফমনি। জুলাই ২৩গী খ্বাইরম্বন্দ বজারগী মীহাৎ অসিসু মালেম পুম্বনা খঙনরবা অচৌবা ইস্যু অমা ওইরি। কুমজা ২০০৯গী জুলাই ২৩ দা মশা ৱাই শংদ্রবী অমদি মচাগা লোয়ননা লাকখিবী রবিনাবু খ্বাইরম্বন্দ কৈথেল ময়াইদা নোংমৈনা পান্দুনা শিখি। ইকান কান্নদনা গম্ভির সিংহ মার্কেটতা লৈবা মাইমু ফার্মাসিদা খুরাইদগী চুংখাম সঞ্জিৎসু শিখি। মমাঙদসু খুৎশেমগী মীহাৎ কয়া চত্থখিবা মীয়াম্না খঙনরবনি।

সঞ্জিৎ মীহাৎকী মতাংদা টেহলকা মেগাজিন্না ফোটো য়াওনা উৎথোরকখি। মণিপুর মীয়াম্না অকনবা খোঙজং কয়া রবিনা অমসুং সঞ্জিৎ মীহাৎতা চেন্নবা পুলিস পর্সনেলশিং চৈরাক পীনবা অপূনবা লূপকী মখাদা চঙশিনখিবনি। মীয়ামগী খোঙজংবু নমথনবা লৈঙাক্লোয়শিং অসিনা সিক্যুরিটি ফোর্স ময়াম থাদোক্তুনা মখল মখা কয়াগী ফোর্স শীজিন্নদুনা মীওই কয়া তমথিনা ফৃবা, ফারগা ওৎ-নৈবা কয়া অমনা অশোক অপন নংবা য়াওখ্রবনি। হনুরবী নুপী কয়া ফাজিন্দুনা এন এস এদা বুক তৌদুনা থমখি। মীয়ামগী প্রেসরদা খাংবা ঙমদবদগী মীহাৎ অসি সী বি আইদা শীন্নখি।

মতম খরগী মমাঙদা মীদিয়া কয়াদা হেদ কন্সটেবল হেরোজিৎনা ৱাফম কয়াসু ফোঙদোকপা লৈখ্রবনি। সঞ্জিৎকী ইমুং-মনুং অমসুং অপূনবা লূপকী মায়কৈদগী কেস অসি রি-ওপন তৌনবা হোৎনরকপদগী কুমজা ২০১৭তা সী বি আইনা রি-ওপন তৌনবা আপিল তৌরকখি। ৱাহং-পাউহং চত্থবা কয়াসু লৈখ্রে। হৌজিক কেস অসি করি ফীভমদা লৈরি হায়বসি মীয়াম্না চমন্নবা ফাওরি। মণিপুরদা থোকখিবা ফেক এনকাউন্টরগী কেস ৩৯দা চেন্নবা আর্মি ওইগেরা, পুলিস ওইগেরা মখোয়গী মথক্তা এস আই টি শেমদুনা থিগৎপা লৈখ্রবনি। মণিপুরদা হৌজিক সিক্যুরিটিগী মীহাৎশিং অসি মতম চানা ষ্টেট লৈঙাক্লা থিগৎনবগী অকনবা ৱাফম ফাওবা এপেক্স কোর্টনা হায়খিবা লৈখ্রে। ঙসি পাল্লিবা লৈঙাক মপুশিং অসিনা থোকখ্রিবা মীহাৎ অসিগী মতাংদা করিগুম্বা থবক অমত্তা পায়খৎতনা তুমীন্না লৈশিনব্রা হায়না মীয়াম্না হংনরক্লি।

জুলাই ২৩গী থৌদোক অসিগা মান্নবা মীহাৎ কয়া ইন্দিয়াগী মফম খরদা থোকপা লৈখ্রে। চেন্নবা কয়া কনভিক্সন পীখিবগী ৱাফম লৈখ্রে। মণিপুর মীয়ামগী ইন্টরেষ্ট য়েংদুনা অথুবদা মীহাৎসিদা চেন্নরিবা পুলিস পর্সনেল অমসুং মকোক থোংবা মীওই খূদিংমক অথুবা মতমদা লোগী চৈরাক পীনবা গভর্ণর ওফ মণিপুরনা হোৎনবনা মণিপুর মীয়াম্না থাজবা হেনগনি। সেন্টর অমদি ষ্টেট লৈঙাক্লা অথুবদা ফেক এনকাউন্টরগী স্পেসল কোর্ট অমা লিংখৎতুনা কেসশিং অসি থুনা লোইশিনগদবনি। আর্মদ ফোর্সেস স্পেসল পৱারস এক্ট ১৯৫৮ মুথৎকদবনি। ফেক এনকাউন্টরগী কেসশিং মীয়ামগী য়েংদুনা অথুবদা জষ্টিস পীবীয়ু হায়নসু চেরোল অদুনা মখা তারি।

ব্রাউন সুগরগা কোন্ননা মীওই ২ ফারে

ইম্ফাল, জুলাই ২৩ (ঐচ এন এস): নাকোর্টিক্স এন্দ এফ্যের্স ওফ বোর্দর পুলিস ষ্টেসননা চপ চাবা পাউ অমা ফংবদগী ঙসি নুংথিল পুং ৪ রোম তাবদা ইম্ফালগী মহাবলিদা লৈবা নানো কার ৱাশ মনাক্তগী মীওই অনী ময়াই কাবা চীঞ্জাক ব্রাউন সুগর গ্রাম ৮০৪গা কোন্ননা ফারে হায়রি।

ঙসি নুংথিল পাউমীশিংগা উনবদা এন এ বিগী এস পি, মণিপুর পুলিসকী পি আর ওসু ওইরিবা দল্লিয়ু বাসুনা ফোঙদোকখিবদা, এন এ বিগী কাঙবুনা দ্রগকা কোন্ননা ফারবা মীওই অনী অদুদি, সাইকুল পুলিস ষ্টেসনগী মনুং চনবা ঐচ খোপিবুং খুলদগী লেটজাথাং চোংলোই (২৭) অপোকপা থোমাস নাপাও অমদি উখ্রুল দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চনবা পাইকো খুলদগী লাক্লগা হৌজিক্লা ইম্ফাল ইষ্টকী গোলাপটিদা লৈবা লালনু তাওথাং (৪২) মপুরোইবা লৈখিদ্রবা হাওপু তাওথাংনি হায়রি। মখোয়দগী ময়াই কাবা চীঞ্জাক ব্রাউন সুগর গ্রাম ৮০৪ রোম ফংলে। এন এ বিনা দ্রগকা কোন্ননা ফারবা মীওই অনী অদুগী মথক্তা কেস অমা লৌখৎপগা লোয়ননা লোগী ওইবা এক্সনসু লৌখৎলগনি হায়না ফোঙদোকখি।

লোকদাউন মনুংদা ইন্নর লাইন পর্মিট পীবীগনু

ইম্ফাল, জুলাই ২৩ (ঐচ এন এস): লোকদাউন মনুংদা ইন্নর লাইন পর্মিট পীবীগনু হায়না এ আই টি য়ু সী মণিপুর ষ্টেট কম্মিটিগী সেক্রেটরি এ শরতচন্দ্রনা প্রেসতা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

চেরোল অদুনা হায়, ষ্টেট অসিদা কোভিদ-১৯ পোজিটিভ ওইবা মশিং লেপ্তুনা হেনগৎলক্লি। আই এল পি পীবা মতম খরা লেপ্পুরবা মতুংদা জুলাই ২০দগী ইম্ফাল এয়রপোর্ট, মাও গেট অমদি জিরিবামদা থুংলবশিংদা পুলিসনা টেম্পররি আই এল পি পীবা হৌখিবসি থিংনবা কেবিনেটনা ৱারেপ লৌফম থোকই। মীতোপশিংদা য়াম্না কোম্না আই এল পি ফংহল্লিবা থৌশিল অসি কুপ্না খন্নদুনা হোংদোক্লবা হোৎনবনা চুমগনি। মালেমগী লৈবাক কয়াদা কোভিদ-১৯ শন্দোরকপা থিংনবা ইন্টরনেসনল ফ্লাইট থিংজিনবগা লোয়ননা ঙমখৈ সিল্ড তৌদুনা হোৎনরি। তমথিরবা লাইচৎ অসিদগী ঙাকথোক্লবা হৌজিক ফাওবগী ওইনা হিদাক মখল অমত্তা পুথোকপা ঙমদ্রবসু জেনিমস অমসুং রিমসকী ডোক্তরশিংনা চেকশিন্না লায়েংবদগী কোভিদ-১৯না শিবা য়াওদ্রি। মসিদা কোমথোক্তুনা আই এল পি পীবা হৌখিবসিনা নাকোয়ননা লায়না অসি নাবগী চাং হেনগৎলক্কনি। কন্সেল্টেটিভ কম্মিটিনা মসি খঙফম থোকপনি হায়নসু চেরোল অদুনা মখা তারি।

য়ু লিটর ৩৬০ ফারে

ইম্ফাল, জুলাই ২৩ (ঐচ এন এস): মোইৱাং পুলিসকী টিম অমনা ঙসি মোইৱাং এরিয়াদা দ্রাইব চত্থবদা য়ুঙৌ লিটর ৩৬০ রোম ফাগৎলে হায়রি। ফাগৎলবা য়ুশিং অদু এস দি সী মোইৱাংদা পুথোক্তুনা ফাইন থীহল্লবা মতুংদা মীয়াম মমাংদা হৈদোক্তুনা মাঙহনখ্রে হায়রি।

ফ্লাইট ৫দা মীওই ৩১২ পুশিল্লকখ্রে

ইম্ফাল, জুলাই ২৩ (ঐচ এন এস): মণিপুরগী মপান লমদা তোঙান তোঙানবা মফমদা কোভিদ লায়নানা মরম ওইদুনা পন্দুনা লৈরম্বা নুপা, নুপী অমদি অঙাং য়াওনা মীওই ৩১২ ঙসি ফ্লাইট ৫দা পুরক্তুনা ইম্ফালগী বীর টিকেন্দ্রজিৎ ইন্টরনেসনল এয়রপোর্টতা পুশিল্লকখ্রে।

ঙসি অয়ুক পুং ৯.৩০ তাবা মতমদা ইন্দিগো ফ্লাইট ৬ঈ-২৫১ অসিনা দিল্লি অমদি গুৱাহাতিদা পন্দুনা লৈরম্বা নুপা ৩৮, নুপী ১৪, অঙাং ৫ য়াওনা পুন্না মীওই ৫৭ ইম্ফাল এয়রপোর্টতা পুশিল্লকখি। অয়ুক পুং ১০.৫২ রোম তাবদা অনীশুবা এয়র এসিয়া ফ্লাইট অসিদা দিল্লি অমদি গুৱাহাতিদা পন্দুনা লৈরম্বা নুপা ৭২, নুপী ৪৬, অঙাং ৯ য়াওনা পুন্না মীওই ১২৭ ইম্ফাল এয়রপোর্টতা পুশিল্লকখি। অহুমশুবা ফ্লাইট এয়র ইন্দিয়া এ আই-৭১৩ অসিনা অয়ুক পুং ১১.৩৪ রোম তাবদা কলকটাদা পন্দুনা লৈরম্বা নুপা ৭, নুপী ৩, অঙাং ১ য়াওনা পুন্না ১১ পুরগা ইম্ফাল এয়রপোর্টতা থুংলখি। মরিশুবা ফ্লাইট ইন্দিগো ৬ঈ-৭০৭ অসিনা ঙসি নুমীৎয়ুংবা মতুং পুং ১২.২৬ রোম তাবদা কলকটাদা পন্দুনা লৈরম্বা নুপা ৬৬, নুপী ৩০, অঙাং ৬ য়াওনা পুন্না মীওই ১০২ পুদুনা ইম্ফাল এয়রপোর্টতা থুংলখি। মঙাশুবা ফ্লাইট এয়র ইন্দিয়া এ আই-৭১৪ অসিনা নুংথিল পুং ২.৩৮ রোম তাবদা আইজোলদা পন্দুনা লৈরম্বা নুপা ১২, নুপী ৩ য়াওনা পুন্না মীওই ১৫ পুরগা ইম্ফাল এয়রপোর্টতা থুংলখি।

নীংশিংবা য়াবদি হৌখিবা মে ২৫দগী ঙসি ফাওবদা কোভিদ লাইচৎনা মরম ওইদুনা মপান্দা পন্দুনা লৈরম্বা মীওই ফ্লাইটতা পুশিল্লকখিবা পুন্না মীই ২২,৫৩৯ রোম শুরে হায়রি।

তোঙান-তোঙানবা মফম অনীদা নুপীমচা অনী ফন্নানবীখ্রে

ইম্ফাল, জুলাই ২৩ (ঐচ এন এস): তোঙান-তোঙানবা মফম অনীদা চহী নৌরিবী নুপীমচা অনী মীওই খরনা ফন্নানবীখ্রে। থৌদোক অদুদা চেন্নবা মীওইশিংসু পুলিসনা ফাগৎখ্রে।

ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী লম্লাই পুলিস ষ্টেসননা কোনবা এরিয়াদা লৈবা চহী ৯দা ঙাইরিবী নুপীমচা অমা লৈকাই অদুদা লৈবা মীওই অমনা টুইসন তৌবা লোইরবা মতুংদা মী চিকপগী খূদোংচাবা লৌরগা ফন্নানবীখ্রে হায়রি।

থৌদোক অসি ঙসি অয়ুক পুং ১১ রোম তাবা মতমদা থোকখিবনি হায়রি। নুপীমচা অদু ওজা অদুনা ফন্নানবীরবা মতুংদা কপ্পগা ময়ুমদা লাকপদা মমা-মপানা হংলুবদগী খঙলকপনি। থৌদোক অদুদা চেন্নরিবা নুপামচা অদুসু পুলিসনা ফারে। লোয়ননা মখোয় অনীমক ইম্ফালগী জেনিমস হোস্পিটালগী ফোরেন্সিক্স সাইন্স লেবোরেটরিদা মেদিকেল এগজামিন তৌখ্রে হায়রি। অমরোমদা, অরোং নোংমাইখোং পুলিস ষ্টেসনগী মনুং চনবা এরিয়াদা লৈবা চহী ৮দা ঙাইরিবী নুপীমচা অমা থা অসিগী ২১গী নুংথিল পুং ১ তাবা মতমদা চহী ১২ রোম শুরবা নুপামচা মরিনা নমদুনা ফন্নানবীখ্রে। থৌদোক অসিগী মতাংদা পুলিসনা চেন্নবশিং ফাগৎতুনা লোগী ওইবা থবক লৌখৎখ্রে হায়রি।

লুপা লাখ ৬১.৩২ রোমগী ক্বা সুপারি অমদি ৱিন চুরুট ফারে

ইম্ফাল, জুলাই ২৩ (ঐচ এন এস): হেদ কার্টর আই জি এ আর (সাউথ)গী মখাদা লৈবা অসাম রাইফলসকী টুপ অমনা ঙৱাং তেংনৌপল দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চনবা চোকতোং-রিলরম সেন্টর লম্বীদগী লুপা লাখ ৬১.৩২ রোমগী ক্বা সুপারি অমদি ৱিন চুরুটকা কোন্ননা ফারে হায়রি।

পি আই বি দিফেন্স ৱিংগী চেরোল অমনা হায়, ঙৱাং অয়ুক পুং ৮ লোম তাবা মতমদা অসাম রাইফলসকী টুপুনা মোবাইল চেক্কিং ওইনা চোকতোং-রিললম সেন্টর লম্বীদা অচৎ-অওক চ্যেক তৌদুনা লৈরিঙৈদা কেনবো বাইক অহুমদা কার্টুন বোক্স অমমম্ পুরগা মীওই অহুম লাকপা উখি। মখোয়না সিক্যুরিটিশিং উবদা মমায় লৈরগা উমং ফাওদুনা থৌখি। অসাম রাইফলসকী টুপ অদুনা মখোয়বু তান্নদুনা থিবা-হুম্বা চত্থবদা উমং মনুংদা পৈদুনা থম্লম্বা লুপা লাখ ৬০ রোমগী ওইগদবা ৱিন চুরুট কার্টুন বোক্স ৪০, লুপা লাখ ১.৩২ রোমগী ওইগদবা ক্বা সুপারি কে জি ৫৫ রোমগা কোন্ননা ফাগৎখি। লোয়ননা কেনবো বাইক থৌরকপা শকখঙদবা মীওই অহুম অদুদি নাহ্নোক্তুনা চেনখ্রে। ফাগৎলবা পোৎলমশিং অদু পল্লেলদা লৈবা কষ্টমস ওফিসতা খূৎশিন্নখ্রে হায়রি।

অমরোমদা, ঙৱাং নুমিদাংৱাইরম নেসনল হায়ৱে নম্বর ১০২গী এম য়ুগী ম্যেন গেট ময়াদা ইম্ফাল ৱেষ্টকী পুলিস কম্মান্দোগী টিম অমনা লম্বীদা অচৎ-অওকশিং চেক তৌবদা ট্রক (এ এস ০১ জে সী-৫৫৭১) অমদা পুরকপা ৱিন চুরুট বোক্স ৫,৪৭০ রোম ফারে হায়রি। ৱিন চুরুটশিং অদু ইরেং চেসোবাদা লৈবা এম দি ফরুক (২৫) অপোকপা লৈখিদ্রবা এম দি ইস্লামুদ্দিন কৌবা অমগীনি। হায়রিবা ৱিন চুরুটশিং অদু মহাক্না বিহারদগী লাক্লগা দিমাপুরদা লৈবা মুকেশ কৌবা অমদা থাননবা হোৎনরম্বনি। ফারবা ৱিন চুরুটশিং অদু কষ্টমস দিভিজন ইম্ফালগী এসিষ্টেন্ট কম্মিস্নরদা খূৎশিন্নখ্রে হায়রি।

পুলিস কন্সটেবল ৫৩৭ প্রমোসন পীখ্রে

ইম্ফাল, জুলাই ২৩ (ঐচ এন এস): দিরেক্টর জেনরেল ওফ পুলিস (দি জি পি), মণিপুরনা ঙসি থোকখিবা ওর্দর অমগী মতুংইন্না মণিপুর পুলিস দিপার্টমেন্টকী কন্সটেবল (মেল/সিভিল) ৫৩৭ হেদ কন্সটেবল (মেল/সিভিল)দা রেগুলর বেসিসতা মেরিটকী মতুংইন্না প্রমোসন পীখ্রে।

ওর্দর অদুগী মতুংইন্না প্রমোসন অসি মমাঙগী কুমজা ২০১৯গী দিসেম্বর ৯ অমসুং ১০ দা পাঙথোকখিবা ক্লাস-থ্রী দি পি সীগী রেকমেন্দেসন অদু মণিপুর লৈঙাক্কী হোম দিপার্টমেন্টনা থা অসিগী ২০দা অয়াবা পীরকখিবগী মতুংইন্না পীবনি হায়রি। নৌনা হেদ কন্সটেবলদা প্রমোসন ফংলবা পর্সনেলশিং অসিগী পে স্কেলনা লুপা ৫,২০০-২০,০০০ অমসুং ফংফম থোকপা এল্লাওৱেন্সগা লোয়ননা ওইরগনি হায়রি। অদুম ওইনমক মখোয় চহী ২গী ওইনা প্রোভেসন পেরিয়দতা লৈগনি হায়রি। অদুবু কন্সটেবল নম্বর ০৯০১৪৪৯ আর ৱাই সোনকম কোইরেং (এস টি)গীদি দিপার্টমেন্টেল ইনক্কারি অমা মহাক্কী মথক্তা পন্দুনা লৈরিবনা মহাক্কী দি পি সীগী প্রোসিদিংদি সিল্ড তৌদুনা থল্লে হায়রি।

DUTTA AYURVEDIC CLINIC
দাইবেটিষ্টকী মমিং লৈরবা SUGAR NIL CAPSULES
DUTTA AYURVEDIC তগী ফংবীগনি

নুপাগী প্রোব্লেম :
ফম্বী পাবা, ফম্বী থুনা চৎকনবা, অহিংদা কাছা চৎপা অমদি মপান থোকপা নত্রগা অমাংবদা কাছা লোয়নবা তারবদি ঐখোয়গী হিদাক অসি শিজিন্নবনা ফিনুংদা হাকৎচবা, ফিনুংগী হকচাংগী শক্তি শোন্থরকপা ফহনবা ঙম্মী। সোনোরিয়া, সাইফিলস ইনফটিসিটি হায়রিবা লায়নাশিং অসি পুংফা ফহনবা ঙম্মী। মাংলুরবা পুন্সিগী মহাও হনগৎহল্লকপা ঙম্বা অমদি শোন্থরুরবা ইন্দ্রিগী শক্তিবু অমুক হনগৎহনবা ঙম্লবা পুন্সি শাংদোকহল্লগা মেন পৱার অদোমগীদমক লৈজরে।

নুপীগী প্রোব্লেম :
ফিঙৌ চৎপা থাগী খোংকাপ চাং নাইদবা, মনম নমথিবা, ফিনুংদা হাকৎচবা অসি পুংফা ফহনবা ঙম্মী অমদি ব্রেষ্ট চোন্থবানচিংবা অসি ক্রিম অমদি হিদাক শিজিন্নদুনা ফজহনবা ঙমহল্লি।

ডাইবেটিস :
ঐখোয়গী হিদাকশিং অসি শিজিন্নরবদি ডাইবেটিসকী চাং নোংমা নোংমগী হন্থহনবা ঙম্মী অমসুং সেক্স পৱার হেঙ্গৎহল্লি। অদুগা মাংলুরবা পাঙ্গল নৌহৌননা ফংবা ঙমহল্লি।

নুংশং অমসুং গ্যাস্ট্রিক্কী :
নুংশং ই তাবা, চাথৎপা, পোম্বা, হাকৎচবা, নুংশং কক্লাই অসিনচিংবা নুংশংগী মখলশিং অসি ওপরেসন তৌদনা হিদাক শিজিন্নরগা পুংফা ফহনবা ঙম্মী।
পুকনুংশিং কাবা, চাবাথকপা তুমদবা, চানিংথক্লিংবা পোক্তবা, পুকনাবা, খোংহাম্বা নুংঙাইতবা অসিগীদমকসু ঐখোয়গী হিদাক্লা অথুবা মতমদা ফহনবা ঙম্মী।

অঙৌবা পকপা :
অঙৌবা পকপশিংনা থোইনা ৱানিংঙাই লৈত্রে। মতম চানা লায়েংলবদি অতৈ অনাবাগুম ফহনবা ঙম্মী। অঙৌবা পকপশিংদুখক অফবা মখলগী হিদাকশিং শিজিন্নদুনা অনাবা মীওইশিং কয়া ফহনবা ঙমখ্রে। অমুক্তং লাকপীদুনা অদোমগী অনাবসু পুংফা ফহনবীয়ু।

শমগী প্রোব্লেম :
অদুগা শম কেনবা, পোক হৌবা, শমজাবী অমদি চহীগা চান্নদনা পোক হৌবা, কোক শাবা হাকৎচবা অসিগীদমকসু অথুবা মতমদা তান্নবীদুনা অদোমগী অৱাবা অদু কোক্কনি।

তাং-তাং চিকপা :
তাং তাং চিকপা, খ্বাং নাবা, খোঙ খুৎ শিথবা, মশল নাবা, থবাক নাবা, মীহুন কাহেন্না চোংবা, থবাক খেবা অসিনচিংবশিং অসি ঐখোয়গী হিদাক্লা পুংফা ফহনবা ঙম্মী।

নাকোং অমসুং সাইনসকী প্রোব্লেম :
না তাবা ৱাৎপা, নাকোং ঙংদুনা লৈবা হান্না করিসু তৌরমদবা নাকোংদা তাবগী চাং হন্থরকপা অমদি নাতোন ফুনবা নপ মহি তাবা, হাকথি তোয়না খনবা, স্বর হোনবা ৱাবা হায়রিবশিং অসি ঐখোয়গী মেদিসিননা ফহনবা ঙম্লে।

DUTTA AYURVEDIC CLINIC (Regd. No. 55503)
Khoyathong Christian Literature House Building
Thangal Bazar Road Khoyathong, Imphal
HL-B/6100/14/07-13/08

CROSSWORD-3511



ACROSS
1 Legendary founder of Rome (7)
5 Game on a green (5)
8 Freight (5)
9 Very active (2,3,2)
10 Drinking vessel (7)
11 Detested (5)
12 Fleet of ships (6)
14 Groups of twelve (6)
18 Garret (5)
20 Got away (7)
22 Monarchical state (7)
23 Proverb (5)
24 Cereal crop (5)
25 News (7)

DOWN
1 Type of biscuit (4,3)
2 Idiot (5)
3 Big cat (7)
4 Cheap and nasty (6)
5 Bungle (5)
6 Grapple (7)
7 Fencer's weapon (5)
13 Daytime performance (7)
15 Area with fruit trees (7)
16 Sorrow (7)
17 Muppet frog (6)
18 Awry (5)
19 Military trainee (5)
21 Small edible crustacean (5)

Solution 3510

S	I	C	I	L	Y		S	C	A	L	E	D
T		H		A				E		I		O
A	L	I	E	N		A	L	I	G	N	E	D
P		N		C		S		L		K		G
L	A	W	L	E	S	S		I	S	S	U	E
E		A				A		N				D
		G	E	T	T	I	N	G	U	P		
U				R		L				A		K
P	L	A	C	E		A	R	T	I	S	A	N
K		S		M		N		A		T		I
E	X	H	I	B	I	T		S	W	I	N	G
E		E		L				T		M		H
P	U	N	N	E	T		D	E	F	E	A	T

SOLUTION ON NEXT ISSUE

HUEIYEN SUDOKU

Hueiyen Sudoku-3310

		1	9				3	
	3				5	1		
8					3		5	9
		3	4					
	2						6	
					8	9		
9	5		6					3
		2	1				9	
	1				4	5		

Solution-3309

Fill in the empty fields with the numbers from 1 through 9
Every row must contain the numbers from 1 through 9
Every column must contain the numbers from 1 through 9
Every 3x3 square must contain the numbers

5	1	3	9	6	8	7	4	2
6	2	8	4	7	1	9	5	3
7	4	9	3	5	2	6	8	1
2	8	6	1	9	7	5	3	4
1	9	5	2	3	4	8	6	7
4	3	7	5	8	6	2	1	9
9	7	1	8	4	5	3	2	6
3	5	4	6	2	9	1	7	8
8	6	2	7	1	3	4	9	5


কৈনু
ষ্টৌরি অমসুং আর্ট : সামসন সলাম
ইমা ঙসিদি শজি ফারকপরা য়েংগে।
হোই-হোই কৈদি চাবা তল্লে, শজি ওইনা ফারকউ।
ঙমতারান মাগী হুইগা শাদানবা চৎখিরম্মী।